# সিরিয়াগী রেবেলশিংনা রেজিমনা কন্ট্রোল তৌবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা এটেক তৌখ্রে



দামাসকস, জুলাই ১১ (এজেন্সী) ঃ
সিরিয়ান রেজিমনা অলেপ্পো সীটিদা পোৎ-চৈশিং পুশিনবগী অমত্তা ঙাইরবা সপ্লাই রুট থদৎখ্রবা মতুংদা ঙসি সিরিয়ন ওপোজিসন ফাইটরশিংনা সীটি অদুগী গভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা অচৌবা এটেক অমা চথুবা হৌখ্রে হায়না এ এফ পিগী করেস্পোন্দেন্টনা ফোঙদোক্লি।

মল্টি-ফ্রন্ট এটেক অদু বৃটেনদা বেজ তৌবা মোনিটর অমা ওইরিবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনসু রিপোর্ট তৌখি। এটেক অদুগী মতুংদা সীটি অদুগী নোংচুপ্তা লৈবা রেজিমনা পায়শিল্লিবা মফমদা রোকেট এটেকশিং চথুখি। এটেক অদুদা মীওই নিপান শিখি হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

এটেক অদু অয়ুক অঙনবদা হৌখিবগা লোয়নননা অলেপ্পোগী গভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লিবা নোংচুপ থংবা শরুক অমসুং ওপোজিসননা পায়শিল্লিবা নোংপোক থংবা শরুক খায়দোক্লিবা ফ্রন্টলাইন পরিংদা রেজিম অমসুং রেবেল ফোর্সশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখি হায়না এ এফ পিগী করেস্পোন্দেন্টনা হায়খি।

“ওল্ড সীটি য়াওনা অলেপ্পো সীটিগী মনুংদা ওপোজিসন ফেক্সনশিংনা রেজিমগী মায়োক্তা ফ্রন্ট মরিদা পাক শন্না এটেক চথখ্রে” হায়না ওবজার্ভেটরিগী চীফ রামি অব্দুল রেহমননা হায়খি।

“হৌজিক লাল কন্না শোক্লরি, তৌইগুম্বসুং রেজিমনা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা বোম্মিং চথুবদগী ওপোজিসননা চঙশিনবদি ঙমদ্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি। খুৎ থোক্লবা অদুদা নাকল অনীমক্তা মীশি মীনা থোকপগী পাউ খুদক্কী ওইনা ফংখিদে।

ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি, রেবেলশিংনা অয়ুক্তগী ৱেষ্টর্ন অলেপ্পোদা সেল ৩০০ লোম কাপশিনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই মঙা এটেক অদুদা শিখি।

ষ্টেট টেলিভিজনননা হায়খি, অলেপ্পো সীটিগী মী তাবা মফমশিংদা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা কাপ্পদা মীচম নিপান শিখ্রে অমসুং ৮০ না অশোক-অপন নংখ্রে। ৱেষ্টর্ন অলেপ্পোগী মহম্মদ কৌবা মীওই অমনা হায়খি, নোংমৈ কাপ্পা অদুদা সিরিয়াক ক্বার্টরদা লৈবা মহাক্কী ময়ুম পুমথু থুগায়খ্রে।

“অয়ুক পুং ৪.৩০ দগী নোংচুপ থংবা মী তাবা মফমশিংদা সেল ময়াম তারকখি” হায়না মহাক্না এ এফ পিদা হায়খি।

মফম অদুগী মীশিংনা ঙসি অয়ুক সেলশিংনা শোকহল্লবা এরিয়াশিংগী মনুংদা অমদা পূনখি। মখোয়না অকায়-অতোয়শিং থাঙ্গৎখি অমসুং লোকেল মীওইশিংনা শাফগদবা মফমশিং থিবা চৎনবা মখোয়গী পোৎলম চৈরমশিং থিবদা মতেং পাংখি।

“নোংমৈ কাপ্পবগী অহৌবা মখোলশিং তাবা ফংখি অমসুং নোংচুপ থংবা মী তাবা মফমদা সেল্লিং কন্না চথুরি” হায়না মহাক্না হায়খি। এটেক অদু রেবেলশিংনা রেজিমগী ফোর্সশিংবু ওপোজিসননা পায়শিল্লিবা মরু ওইবা কাষ্টেল্লো রোদ সপ্লাই রুটতগী তকথোক্লবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুং নোংমা লৈরগা চথুরকখিবনি। লম্বী অদু সীটি অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা চঙবা অমত্তা ঙাইরবা লেমহৌরিবা লম্বীনি। মদু শগোলশেন নুমিৎতা রেজিমগী ট্রুপশিংনা অমাঙ-অতা থোকহন্দুনা শীজিন্নবা লেপহনখি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু লম্বীদুদগী তকথোক্লবা হোৎনবদা পাঙথোকখিবা এক্সন অদুদা য়ামদ্রবদা রেবেল ফাইটর ২৯ শিখ্রে হায়না ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি।

মতম অমদা সিরিয়াগী ইকনমিক পাৱরহাউস ওইখিবা অলেপ্পো সীটি অদু কুমজা ২০১২ গী ময়াই থংবা শরুক্তা শোক্লবা হৌখিবা লাল অদুদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি। মদুদগী সীটি অদু রেজিমনা কন্ট্রোল তৌবা মফম অমসুং রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মফম হায়না খায়রকখি।

হৌখিবা ২০১১ গী মার্চতগী হৌখিবা সিরিয়ন কনফ্লিক্ট অদুদা মীওই ২৮০,০০০ হেন্না শিখ্রে। এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংবু অকনবা মওংদা নমথনবা হোৎনখিবগা লোয়ননা সিরিয়ন কনফ্লিক্ট অদু হৌখিবনি।

# সাউথ সুদান ক্রাইসিস : নৌনা খুৎ থোক্লবদা মীওই ২৭২ শিরে



জুবা, জুলাই ১১ (এজেন্সী) ঃ
হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা সাউথ সুদানগী কেপিটেল জুবা শীন থুংলকখিবা খুৎ থোক্লবদু য়াম্না থুনা লেপহন্নবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা রাইভল ফেক্সনশিংদা আপিল কয়া তৌদুনসু সীটি অদুদা নৌনা অমুক খুৎ থোক্লরক্লেহায়রি।

অমগা-অমগা য়েংথীনবা খুৎলাই পায়বশিংগী মরক্তা শগোলশেন নুমিৎতগী খুৎ থোক্লরকখিবদা অয়াম্বনা লান্মী ওইদুনা মীওই চা কয়া শিখ্রে। মদুনা চহী মঙা শুবদা ঙাইরিবা লৈবাক অদুদা মপুং ফারবা কনফ্লিক্ট অমা অমুক লাকহল্লগদ্রা হায়বগী অকিবা পোকহল্লে।

য়ামদ্রবদা মীওই ২৭২ মথ্বায় লোমখ্রে হায়না হেলঠ মিনিষ্ট্রিনা রোইটজ ন্যুজ এজেন্সীদা নোংমাইজিংগী অঙনবদা ফোঙদোকখি।

সীটি অদুগী খা নোংচুপ থংবা জেবেলদা লাল হৌখ্রে। সীটি অদুগী নোংপোক্তা লৈবা গুদেলেদসু কাপ্পবা হৌখ্রে। লোয়ননা, হৌজিক্তি দাউন টাউন এরিয়াদা মোর্টার রাউন্দশিংগী মখোল তাবা ফংলি” হায়না মহাক্না মখা তাখি।

“থোক্লিবশিং অসিনা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা ঙাংলিবা সিজফায়র অদু থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রে হায়বা তাকই। নিংথৌকাবদা য়ামদ্রবদা মফম অনীদা মখা তানা খুৎ থোক্লরি, হায়বদি পিছ তোক কয়া চথুদুনসু মখোয়শিংদু মায় পাক্তে হায়বা তাক্লে।”

খ্বাইদগী নৌনা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিং অদু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ইমর্জেন্সি মীটিং অমনা সাউথ সুদানগী য়ুমথংনরিবশিংনা লাল অদু লোইশিনবদা মতেং পাংগদবনি অমসুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এন মিসনগী মপাঙ্গল হাপকৎনবা অহেনবা ট্রুপশিং থানবা শেম শানবা আপিল তৌখ্রবা মতুংদা থোক্লকখিবনি।

কাউন্সিলনা নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, “সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা লাল খুদক্তা লোইশিন্নবা তকশিনখি অমসুং প্রসিদেন্ট কির অমসুং ফার্ষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট মাচরনা মখোয় মখোয়গী ফোর্সশিং কন্ট্রোল তৌনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনননবা, লাল অদু থুনা লোইশিন্নবা অমসুং হাৎন-শুনবা থিংনবা দিমান্দ তৌখ্রে।”

চাইনীজ অমসুং রুৱান্দান পিছ কীপ্পরশিংবু শিহনখিবা অমসুং শোকহনখিবা য়ু এনগী কম্পাউন্দসতা চথুখিবা এটেকশিংদা থম্মোয় শোকপা অমসুং খোইরাং খোইশাওনবা ফোঙদোক্লদুনা কাউন্সিলনা মীচম লৈবা মফমশিংদা প্রোটেক্সন পীনবসু দিমান্দ তৌখি অমসুং সিভিল্যানশিং অমসুং য়ু এনগী প্রেমিসিজদা চথুবা এটেকশিং ৱার ক্রাইমশিং ওইনা লৌবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখি।

ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ু এন হেদ ক্বার্টরসতগী রিপোর্ট তৌরকখিবা অল জাজীরাগী মাইক হন্নানা হায়খি, হন্দক্তা জুবাদা হাৎন-শুনবগী ঈরাংশিং হেনগৎলক্লিবা অদুদা দেলিগেটশিংনা নুংনাংবা কন্না ফোঙদোক্লখি অমসুং পিছ কীপ্পর ১৪,০০০গী থবক থৌরমশিং হেন্না লায়হন্নবা অমসুং সেফ ওইহন্নবগী লম্বীশিং খন্নখি। “মীফম অদুনা মীচমশিংদা লালদুনা পীরিবা চৈথেংগী মরমদসু খন্নখি। মখোয় কয়া য়ু এনগী ফেসিলিটিশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি” হায়না হান্নানা হায়খি।

জুবাদা লাল কন্না শোক্লরকপদগী মীওই ১০০০ হেন্না য়ু এনগী কম্পাউন্দ অমদা চেনশিন্নখ্রে অমসুং কেপিটেলদা লৈবা য়ু এন মিসনগী সাইট অনী নোংমৈ মচা অমসুং অচৌবশিংনা হিট তৌখি হায়না য়ু এনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

# অল-সাবাব ফাইটরশিংনা সোমালি আর্মি বেজদা এটেক তৌখ্রে



মোগাদিসু, জুলাই ১১ (এজেন্সী) ঃ
সোমালিয়াগী খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অল-সাবাবকী ফাইটরশিংনা কেপিটেল মোগাদিসুগী খা-নোংচুপ্তা লৈবা আর্মি বেজ অমদা এটেক তৌবদা য়ামদ্রবদা লান্মী ১০ শিখ্রে হায়না গ্রুপ অদুনা অমসুং মিলিটরি ওফিসর অমনা রোইটজদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক এটেক্করশিংনা মোগাদিসুগী মনাক নক্না সীটি অসিদগী কিলোমিটর ৫০ রোমদমক লাপ্পা লৱার সাবেলি রিজনদা লৈবা লান্তা বুরো বেজদা থোমজিনখি। মদুগী মমাঙদা মখোয়না এক্সপ্লোসিভশিং মরাং কায়না য়াওবা কার অমা পোকখায়হনখি।

“পুং কয়ামুক নোংমৈ লেপ্তুনা কাপ্পখি” হায়না মনাক নকপা অফগুয়ি টাউনদগী মেজর অহম্মদ ফারাহনা রোইটজদা হায়খি। য়ামদ্রবদা অল-সাবাব ফাইটর ১২ শিখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মফমদুগী মীওইশিংনা হায়খি মদুদি, মখোয়না নোংমৈ কন্না কাপ্পগী অমসুং বোম অমা পোকখায়বগী মখোল তাখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা ফাইটরশিংনা বেজ অদুদা মখোয়গী অমুবা বেন্নর হাইগৎখি।

নাইরোবীদগী রিপোর্ট তৌখিবা অল জজীরাগী চার্লস ষ্ট্রাফোর্দনা হায়খি, মখোয়না লান্মী ৩০ রোম হাৎলে হায়না অল-সাবাবনা ক্লেম তৌরি অমসুং মখোয়না আর্মদ এম্বুলেন্স মরি অমসুং ট্রক অনী পুখ্রে।” সোমালি আর্মিনদি ক্লেম অদুবু য়াখিদ্রে।

লোকেল রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, সোমালি আর্মিনা হায়রি মদুদি, লান্মী মঙাদমক হাৎখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না য়ামদ্রবদা ট্রক অনীদি লৌখ্রে হায়খি।

“কুমজা ২০১২ দা অল-সাবাবকী মখুৎতগী কিসমায়ো পোর্ট মুনখি হায়বসি নীংশিংবগী তঙাইফদবা লৈ মরমদি পোর্ট অদুগী খুথাংদা মখোয়না লালগী খুৎশু খুৎলায়শিং ফংখিবনি। হৌজিক্তি মখোয়না খুৎলায় সপ্লাইগীদমক্তা মান্নবা মওংগী এটেকশিং চথুবা তাই।”

অল-সাবাবনা গভর্ণমেন্ট চিংথুনবা অমসুং মখোয়গী অপাম্বা মওংগী গভর্ণমেন্ট অমা সোমালিয়াদা লৈহন্নবা হোৎনরদুনা সোমালি সিক্যুরিটি ফোর্সশিং ওফিসলশিং অমসুং আর্মি বেজশিংদা এটেক তৌই। নোংমাইজিং নুমিৎতা অল-সাবাবকী মেম্বর ১০০ হেনবনা নোর্থ ইষ্ট কেনিয়াদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা অহিংদা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা ওফিসর অমা শোকখি অমসুং ফাইটরশিংনা খুৎশু খুৎলায় কয়া পুখি।

# বাংলাদেশতা ইস্লামিক টি ভি চেন্নেল, পিছ টি ভি থিংলগনি




ধাকা, জুলাই ১১ (এজেন্সী) ঃ
হন্দক্তা কেপিটেল ধাকাদা লৈবা কেফে অমদা শাথীরবা এটেক অমা চথুখিবদগী ইস্লামিক টি ভি চেন্নেল, পিছ টি ভি বাংলাদেশতা অথিংবা থম্লগনি হায়রি।

চেন্নেল অদুগা মরী লৈননা লৈরিবা হার্দলাইন কাঙবুশিংগী ৱাখল্লোননা নহারোলশিংদা অকনবা অহোংবা ৱাখল কয়া পোকহল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরিঙৈগী তাল্লক্তা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অদু লৌরক্লিবনি।

চেন্নেল অদুগী প্রিচর অমা ওইরিবা জাকির নাইকনা মহাক্কী ৱাহৈশিংনা এটেক্করশিং অদুদা মখোয়গী থবক্তু পাঙথোক্লবগী ৱাখল পোকহল্লম্বা য়াই হায়বা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী অঙনবদা ধাকাগী দিপ্লোমেটিক জোন গুলশনদা লৈবা হোলি আর্টিসান বেকরিদা গনমেনশিংনা অয়াম্বনা মীরৈবাক-মচাশিং ওইদুনা মীওই ২২ হাৎখি।

বাংলাদেশকী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর হসানুল হক ইনুনা হায়খি মদুদি, চেন্নেল অদুবু বেন তৌনবগীদমক্তা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্টেপশিং লৌখৎলগনি।

“পিছ টি ভি অসি মুস্লিম সোসাইটি, কুরান, সুন্নাহ, হাদিথ, বাংলাদেশকী কন্সটিট্যুসন, ঐখোয়গী কলচর, কষ্টম অমসুং মহৌশাগী থৌরম কয়াগা চানদে” হায়না ইনুনা ওনলাইন ন্যুজ আউটলেট বি দি ন্যুজতা হায়খি। কেবিনেট কম্মিটি ওন লো এন্দ ওর্দরনা চেন্নেল অদু বেন তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা ইনুনা ৱাফমদু ফোঙদোকখিবনি।

টি ভি চেন্নেল অদু দুবাইদগী ইংলিশ, উর্দু অমসুং বাংলাদা ব্রোদকাষ্ট তৌবনি।

মশাগী চহী ৫০ শুরবা নাইক অসি পিছ টি ভিগী মপু ওইবা মুম্বাইদা বেজ তৌবা ইস্লামিক রিছার্স ফাউন্দেসনগী ফাউন্দর অমসুং প্রসিদেন্টনি।

মতম অমদা মহাক মহাক্কী য়ানিংঙাই ওইদবা থৌওংশিংগীদমক্তা য়ু কেদা চঙবদা থিংখিবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা মেলকমনা অনৌবা কোলিসন গভর্ণমেন্ট শেম্লগনি

মেলবোর্ন, জুলাই ১১ (এজেন্সী) ঃ
ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মেলকম টর্নবুলনা অনীরকশুবা ওইনা পৱার পায়বগী ৱাফম গভর্নর জেনরেল পিটর বোসগ্রোভনা য়াখিবগা লোয়ননা টর্নবুলনা অনৌবা কোলিসন গভর্ণ-মেন্ট অমা শেম্লগনি।

মশাগী চহী ৬১ শুরবা টর্নবুলনা কোসগ্রোভতা ইখি মদুদি, ওপোজিসন লীদর বিল সোর্টননা মায়থীবা য়াজখ্রে অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট অনীগী সপোর্টকা লোয়ননা কোলিসনগী য়ামদ্রবদা সীট ৭৪ লৈরে।

“অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐহাক হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী কনফিদেন্স লৈবা মিনিষ্ট্রি অমা শেম্বা ঙমগনি হায়না ঐহাক্না নঙোন্দা পাউতাক পীজরি” হায়না টর্নবুলনা ইখি।

টর্নবুলগী পাউতাক অদু কোসগ্রোভনা লৌখি অমসুং এসেপ্টটেন্স লেট্টর অমা ইরকখি।

“নহাক হৌজিক হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী কনফিদেন্স লৈবা মিনিষ্ট্রি অমা শেম্বা ঙম্বগী পোজিসনদা লৈ হায়বা নহাক্কী পাউতাক অদু ঐহাক্না য়ারে” হায়না কোসগ্রোভনা হায়খি।

“মিনিষ্ট্রি অদুদা অহোংবা কয়া লাকহনবগী মতাংদা অমসুং মরী লৈনবা এদমিনিষ্ট্রেটেটিভ এরেঞ্জমেন্টশিংগী মতাংদা ঐহাক্না নহাক্কী মখা তাবা পাউতাক ঙাইরি” হায়না মহাক্না হায়খি।

গভর্নর জেনরেল কোসগ্রোভ হৌজিক মপানগী খোঙচৎতা লৈরিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা কানবেরাদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং কেবিনেটকী সেক্রেটরি মার্টিন পার্কিন্সনগা উনখি।

ভোট মশীং থিবা মখা চথবগা লোয়ননা কন্টেষ্ট অহুম হায়বদি হিন্দমার্স, কেপ্রিকোর্নিয়া অমসুং হরবর্টতা কনবা মওংদা লম্বা তৌনরমখি। তৌইগুম্বসুং সীট ১৫০ লৈবা লৱার হাউসতা কোলিসননা সীট ৭৬ ফংগনি হায়না চেৎনা থাজরি।

দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর কর্নাবি জোয়সনা লুচিংবা নেসনলসকী এম পি ২২ না গভর্ণমেন্ট শেম্বদা য়াম্না তঙাই ফদ্রিবা এগ্রীমেন্ট অদুদা পুরকপা য়াবা অহোংবশিংগী মরমদা খন্ননবা হয়েং মীফম অমা ফমগনি। মদুগী মতুংদা জোইসনা য়ুমশকৈশদা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনগনি।

মীখলদা নেসনলনা এক্সট্রা সীট অমা ফংবা ঙমখিবদগী পার্টি অসিদা এক্সট্রা ফ্রন্টবেঞ্চকী রোল অমা লৌহন্নবগী প্রেসর লিবরেল লীদর অদুদা লাকখি। কঞ্জার্ভেটিভ লিবরেলশিংনসু মিনিষ্ট্রি শেম্লকপদা হেন্না কনবা পোজিসন অমা পাম্লি।

থা ১০গী মমাঙদা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা কঞ্জার্ভেটিভ লীদর টোনি অবোটপু মায়থীবা পীখ্রবা মতুংদা টর্নবুলনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টগী অনৌবা মেন্দেট অমা শাগৎনবা নৌনা মীখল পাঙথোক্লবগী ৱাফম হৌদোকখিবনি।

## EMPLOYMENT NEWS

**JOIN INDIAN ARMY RECRUITMENT 2016**
**OFFICER (MILITARY NURSING SERVICE) VACANCIES**

Indian Army invites Application from Female candidates for grant of Short Service Commission in the Military Nursing Service (MNS) 2016. Apply Online before 03 August 2016.
Job Details For Indian Army :
Post Name : Short Service Commission (SSC) Officer in Military Nursing Service (MNS)
No. of Vacancies : Not Specified
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-
Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :
Educational Qualification : Candidates Should have passed MSc (Nursing) /PB B Sc (Nursing)/ B Sc (Nursing) from INC recognized University and be a registered Nurse and Midwife from a State Nursing Council.
Nationality : Indian
Age Limit : Between 02 Aug 1981 and 03 Aug 1995 (Both days inclusive)
Job Location : All India
Selection Process : Candidates will be selected based on Written test, Interview & Medical Examination.
Application Fee : Candidates have to pay Rs. 200/- through payment gateway from the system for making the payment.
How to Apply Indian Army Vacancy : Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 18.07.2016 to 03.08.2016.
Important Dates to Remember :
Starting Date For Submission Of Online Application : 18.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 03.08.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_18_1617b.pdf

**JOIN INDIAN ARMY RECRUITMENT**
**42 OFFICER (DENTAL CORPS) VACANCIES**
**LAST DATE 20 JULY 2016**

Indian Army invites Application from Male & Female candidates for Grant of 42 Short Service Commission (SSC) Officer in Indian Army Dental Corps. Apply before 20 July 2016.
Job Details For Indian Army :
Post Name : Short Service Commission (SSC) Officer
No. of Vacancies : 42 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6100/-
Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :
Educational Qualification : BDS/MDS from a College/ University recognized by the dental council of India (DCI) for a respective batch/years and who have registered themselves as Registered Dental Practitioners with any State Dental Council. Candidates should have secured a mandatory minimum of 55% marks in final years BDS and completed one year compulsory rotatory internship.
Nationality : Indian
Age Limit : 45 years As on 31.12.2016
Job Location : All India
Selection Process : Candidates will be selected based on Screening, Interview & Medical Examination.
Application Fee : Candidates have to pay Rs. 200/- through Demand Draft drawn of any Nationalized Bank in favour of "Director General Armed Forces Medical Services (APF Fund)" Payable at New Delhi.
How to Apply Indian Army Vacancy : Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of educational qualification, self addressed envelope (23 x 10 cms) with postal stamps affixed worth Rs. 40/- and two passport size photographs & Demand Draft send to Director General Armed Forces Medical Services (DGAFMS/ DENTAL-2), Room No 25, L-Block Ministry of Defence, New Delhi – 110001 on or before 20.07.2016.
Important Dates to Remember :
Last Date For Submission Of Application : 20.07.2016
Important Links :
Detail Advertisement & Application form Link : http://indianarmy.nic.in/Site/NewsDetail/frmNoticeDetails.aspx?MnId=wZKaJTvhq6pc+/CjfB48LQ&NewsID=OhK9ISmzPhS0s8gqNdj7AQ==

**JOIN INDIAN ARMY RECRUITMENT**
**OFFICERS (REMOUNT VETERINARY CORPS) VACANCIES**

Indian Army invites Application from Male candidates for Short Service Commission (SSC) Officers in Remount Veterinary Corps of Indian Army. Apply before 01 September 2016.
Job Location : All India
Job Details For Indian Army :
Post Name : Officers (Remount Veterinary Corps)
No. of Vacancies : Not Specified
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6100/-
Eligible Criteria to join Indian army :
Educational Qualification : BVSc/BVSc & AH degree from any of the recognized Indian university or its equivalent foreign degree OR candidate must possess recognized veterinary qualification included in the first or second schedule of the Indian Veterinary Council Act, 1984.
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 32 years As on 01.09.2016
Selection Process : Candidates will be selected based on Short listing of applications and SSB Interview
How to Apply Indian Army Vacancy : Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of educational qualification, self addressed envelope (28 x 12 cms) with postal stamps affixed worth Rs. 27/- and two passport size photographs send to Directorate General Remount Veterinary Services (RV-1) QMG's Branch, Integrated Headquarters of MoD (Army) West Block 3, Ground Floor, Wing No-4 RK Puram, New Delhi – 110 066 on or before 01.09.2016.
Important Dates to Remember :
Last Date For Submission Of Application : 01.09.2016
Important Links :
Detail Advertisement & Application form Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_15_1617b.pdf

**MIZORAM PSC INVITES APPLICATION FOR THE POST OF 03 LECTURER (MCON) . APPLY BEFORE 29 JULY 2016.**

Advt No. : 12 OF 2016-2017
Job Details :
Post Name : Upper Division Clerk (UDC)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.5400/-
Eligibility Criteria for Mizoram PSC Recruitment :
Educational Qualification : 1st Class Master degree in Nursing in the appropiate line
of specialty of a recognized university.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 years (as on 01.07.2016)
Age Relaxation : 5 years (for SC/ST Candidates)
Job Location : Aizawal (Mizoram)
Application Fee : Application fee of Rs 320/- For General Candidates and Rs 270/- for SC/ST Candidates should be paid by cash at the Reception Counter of Mizoram Public Service Commission Office or by depositing into the Treasury under the Head- 0051-PSC, 102-State PSC (Examination Fee. etc) or by uncrossed Indian Postal Order ( IPO) drawn in favour of Secretary, Mizoram Public Service Commission.
How to Apply Mizoram PSC Vacancy : Interested candidates may send their applications along with attested copies of IPO/ Challan form, HSLC certificates/ mark sheets, caste certificate etc & other relevant documents to the Office of Deputy Commissioner, Mizoram Public Service Commission , New Secretariat Complex, Aizawl on or before 29.07.2016.
Important Dates to Remember :
Last Date for Submission of Application : 29.07.2016
Detail Advertisement Link : https://mpsc.mizoram.gov.in/uploads/files/advertisment-no-12-of-2016-2017-lecturer-mcon.pdf

ꯂꯝꯉꯥꯟꯕꯤ ꯑꯦꯛꯌꯨ ꯀꯝ ꯑꯥꯌꯨꯔꯕꯦꯗꯤꯛ
LAMNGANBI ACU CUM AYURVEDIC

Back pain paralysis, Joint pain মসিনচিংবা মরী মতাংগী ওইবা অনাবশিং হিদাক চাদনা লাইয়েংবীয়ু। লাইয়েংমল শুপ্নতগী লুপা ৫০/- খক্তনি। তাং ১৩/৭/২০১৬ দগী তাং ১৩/৮/২০১৬ ইং অখন্নবা মতম খক্তগী ওইবা খুদোংচাবসি লৌবীয়ু। লোয়ননা ওফিসকী মীওই খরসু পামজে।

1. Ayurvedic and Marketing Staff – 25.
Earning Rs. 8000 and above per month.
2. Training Manager – 10. Age below 30.
Earning Rs. 10000 and above per month.
3. Reception – 2. Age below 30.
Pay Rs. 4000 per month.
অরাপ্পা মীওইশিংগী ওইনা লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবা পীজগনি।
Accupressure তম্লিংবা মীশিংগী ওইনা ফোর্ম থাজরি।
Diploma Course 10 Passed
Degree Course 12 Passed.
Timing : 9.30 am to 3:00 pm.

HL-P/9078/ 12
Porompat Opp. TV Tower Gate

